# এম এন সী এ এলিট : অল-অমিন লিলোংনা চেম্প খাগেমপল্লিবু রন ১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদ অমদি দব্লিয়ু রমানন্দ এলিটটুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা অল-অমিন লিলোংনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিবু রন ১দা মায়থীবা পীখ্রে।




মায় পাকখিবা অল-অমিন লিলোংনা মেটচ অনী শান্নখিবদা মেটচ ১ মায় পাল্লগা ১ মায়থীদুনা পোইন্ট২ ফংলগা টেবলগী অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা লিলোং টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অল-অমিনগী বেটসমেনশিংনা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৯২ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী লিলোং টিমগী বেটিং তৌবদা ওপনর এম দি বাসির রাহমননা বোল ৬৬তা রন ৪৬ লৌবা ঙমখি। মহমদ অল বাসিদনা বোল ৬২দা রন ৫৬ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নরোয় ওইখি।

মহমদ মুষ্টাকিনা বোল ৫৯দা রন ৩১, এম দি সাফৱান খাননা বোল ১২দা রন ১৯ অদুগা এম দি নৌসদ অলিনা আউট ওইদনা বোল ৫দা রন ৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা খাগেমপল্লিগী বোলর নিটেশ সেদাইনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি অদুগা মোইরাংথেম থোমাস, থিংবাইজম নিকোলসন অমদি এম দি সুল্টান করিমনা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা চেম্পকী বেটসমেননা অপীবা ওভর ৪০দা টার্গেট য়ৌগদবা রন ১ ৱাৎলিঙৈদা ওল আউট ওইদুনা লিলোং টিমগী মখূৎতা রন ১দা মায়থীখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোলিং তৌখিবা লিলোংগী বোলর এম দি নৌসদ অলিনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। নাজারুল ইস্লামসু ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি অদুগা নোংজাইময়ুম মহমদ নসির শাহ অলম অমদি হাবিবুলা অহমদনা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা চেম্পকী বেটসমেন এম দি সুল্টান করিমনা বোল ৫৫দা রন ৬৯, পুখ্রম্বম অথৌবা খুমননা বোল ৪২দা রন ৩২, নিটেশ সেদাইনা বোল ১৮দা রন ২৩ অমদি চিংঙাংবম বোনিনা বোল ৩৫দা রন ২১ লৌবা ঙমখিবনি।

লোইশিল্লকপদা অল-অমিনগী এম দি নৌসদ অলিনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিং তৌবদা ওভর ৭তা ৱিকেট অহুম লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গ্রুপ এগী ট্রাও ক্বাকৈথেল অমদি মোদেল ক্লব শীংজমৈ চীংঙা মখা অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপ

# সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেটিগী প্যের প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে




মনিলা, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ফিলিপিন্সকী কোনুং মনিলাদা চথরিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপকী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী দবলসকী টোপ প্যের সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেটি চেম্পিয়নশিপ অসিগী অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৭ অমদি থর্দ সিদেদ অনীগী প্যেরনা থাইলেন্দগী অপীলুক গেটেরাহোং অমদি নাটচানোন টুলামোক অনীগী প্যেরবু মিনট ২৭কী মনুংদা ২১-১৩, ২১-৯দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

সাটৱিক অমদি চিরাগ অনীনা সেকেন্দ রাউন্দ মেটচতা জপানগী অকিরো কোগা অমদি টাইচি সাইটো অনীগী প্যেরগা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, মিক্স দবলস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ইশান্ত ভাটনগর অমদি টনিশা ক্রেষ্টোনা হোং কোংগী লো চ্যেক হিম অমদি য়িয়ুং ঙা টিংবু পুংখায় অমা শান্নখিবা মেটচতা ২১-১৫ অমদি ২১-১৭তা মায়থীবা পীদুনা কাঙলুপ অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেন্স দবলসকী ফর্ষ্ট রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কৃষ্ণ প্রসাদ গারাগা অমদি বিষ্ণুভর্ধন গোরা পঞ্জালাবু সাউথ কোরিয়াগী কাং মিনয়ুক অমদি কিম ৱোনহোগী মখূৎতা ১০-২১, ২১-১৯ অমদি ১৬-২১দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মেন্স দবলস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এম আর অর্জুন অমদি দ্রুবা কপিলাগী প্যেরনা ইন্দোনেসিয়াগী ৪শুবা সিদেদ ফজর অলফিয়ান অমদি মহমদ রাইন অর্দিয়ন্টোগা অদুগা মিক্স দবলসতা ভেনকট গৌরভ প্রসাদ অমদি জুহি দেৱানগন অনীগী প্যেরনা ইন্দোনেসিয়াগী প্রভিন জের্দান অমদি মেলাটি দেভাগী প্যেরগা লম্বা তৌনরগনি।

## ৱিমেন্স হোক্কীগী শক্লাইরবী এলভেরা বৃট্টো লৈখিদ্রে



বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ৱিমেন্স হোক্কীগী হান্নগী টিম কেপ্টেন ওইরম্বী এলভেরা বৃট্টো মশাগী অহল ওইরকপগী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৮১ শুখ্রে।

এলভেরা ইন্দিয়াগী অফাওবা বৃট্টো সিষ্টরস অহুমগী মনুংদা খ্বাইদগী অহলনি। অতোপ্পা অনী অদুদি রিতা বৃট্টো অমদি মে বৃট্টোনি। এলভেরানা দোমেষ্টিক সর্কিটতা ১৯৬০দগী ১৯৬৭ ফাওবা রুল তৌরম্বগা লোয়ননা কর্নাটাকাবু নেসনল টাইটল ৭লক লৌবদা লমজিংলমখি।

মহাক্না হিংলিঙৈদা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা অষ্ট্রেলিয়া, স্রি লঙ্কা অমদি জপানগা শান্নবা মেটচশিংদা শরুক য়াখি।

এন্নি লুম্সদেন (১৯৬১)গী মতুংদা এলভেরানা ১৯৬৫দা অর্জুনা এৱার্দ ফংদুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি ফংবা ইন্দিয়াগী অনীশুবা নুপী হোক্কী প্লেয়র ওইবা ঙমখি। এলভেরা পূন্সি চুপ্পা য়ূম পান্দনা মহাক্কী মচন্নুপীশিংগা লৈমিন্নরকখি।

অমরোমদা, এলভেরা বৃট্টোনা লৈখিদবদা হোক্কী ইন্দিয়ানা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা এলভেরা বৃট্টোনা লৈখিদবগী পাউ অসি তাবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। মহাক্লা শান্নরিঙৈ মতমদা মকোক্তা লৈরম্বদা নৎতনা ৱিমেন্স হোক্কীগী এচিভমেন্ট কয়া অমসু ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখা তানা কর্নাটাকা স্পোর্টসকী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা থৌ পুরম্মী হায়খি।

গ্যানেন্দ্রোনা মখা তারদুনা হোক্কী ইন্দিয়া অমদি অপূনবা হোক্কী ফ্রেটর্নিটিগী মহুৎ শিন্দুনা এলভেরানা লৈখিদ্রবদা ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়খিবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং-মনুংদা মখোয়গী ওইবা দিপেষ্ট কোন্দোলেন্সসু ফোঙদোরক্লি।

# হিরো আই লীগ : নেরোকা অমদি স্রীনিধি দ্রো ওইখ্রে




ৱেষ্ট বেঙ্গল, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি কল্যানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা নেরোকা এফ সী অমদি স্রীনিধি দেক্কান গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখিবগা লোয়ননা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ গ্রুপ অসিদা নেরোকানা পূন্না মেটচ ১৪ শান্নখিবদা মেটচ ৪ মায় পাল্লগা ৭না দ্রো ওইরগা ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ১৯ ফংলগা ইরোই লোইবা টেবলগী ৭শুবা মফমদা লৈরি। অদুগা স্রীনিধি দেক্কাননা পূন্না মেটচ ১৪ শান্নখিবদা মেটচ ৬ মায় পাল্লগা ৫ দ্রো ওইদুনা পূন্না পোইন্ট ২৩ ফংদুনা টেবলগী ৪শুবা মফমদা লৈরি।

নেরোকা অমদি স্রীনিধি দেক্কান অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মদবদগী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা ০-০দা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা নেরোকাগী জোন মেরা গোঞ্জালেস শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি। অদুগা স্রীনিধিগী শান্নরোয় অহুম মহমদ সালা, অরিজিট বাগুই অমদি মুথুইরুলন্দি শান্নবগী ৪২, ৫০ অমদি ৮৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

লোইশিল্লকপদা নেরোকাগী য়ুমখাইবম জিটেশ্বরনা মেটচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অতোপ্পা নাইহাটি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চর্চিল ব্রদর্স এফ সীনা রাজস্থান য়ুনাইটেদ এফ সীবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

চর্চিলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কোমরোন টুর্সুনোভনা শান্নবগী ২৩ অমদি রাজস্থানগী অখন্না অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ওইখি। রাজস্থানগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা নিংথৌজম প্রিতমনা শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা মফমদা ঙসি নুমিদাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মোহমেদন স্পোর্টিং ক্লব অমদি রাউন্দগ্লাস পঞ্জাব ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

মোহমেদনগী গোলশিং অদুনা ফাইসাল অলি অমদি মার্কস লেরিকনা শান্নবগী ২২ অমদি ৭২ শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা রাউন্দগ্লাসকী গোলশিং অদুনা জোসেভা কোর্টা অমদি কর্টিশ ওৱেননা শান্নবগী ২৫ অমদি ৮২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

# দেনর্বিনা নেসনল কেম্প য়াওনবা শান্নরোয় ৩৩গী মমিং লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর ১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ইন্দিয়া টিম শেম্নবা নেসনল কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবা শান্নরোয় ৩৩গী মমিং ঙসি ইন্দিয়ন ৱিমেন ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ থোমাস দেনর্বিনা লাউথোকখ্রে।

শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা এস এ এফ এফ অন্দর ১৮ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ টাইটল লৌবদা য়াওখিবী শান্নরোয় ১২সু য়াওরি।

ফিফা অন্দর ১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ অসি ওক্টোবর থাদগী হৌদুনা ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়ম, মারগাওগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অমদি নবি মুম্বাইগী দি ৱাই পটেল ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা মোনালিসা দেবী, অঞ্জলি মুন্দা, হেমপ্রিয়া সেরাম অমদি কৈশাম মেলোদি চনুনি। দিফেন্দরদা সলিমা কুমারী, সুধা অনকিতা টির্কি, অষ্টম ওরোন, পূর্ণিমা কুমারী, জুলিয়া য়াংলেম, ভুমিকা ভারত মানে, কাজল, ভর্শিকা, কাজোল দিসৌজা, ঙাসেপ্পম পিনকু অমদি হেমাম সিল্কিনি। মিদফিল্ডরদা পায়ল, কলপনা, শেলজা, মোইরাংথেম অম্বিকা, আর মধুমথি, লোকতোংবম শেলিয়া, ববিনা দেবী, গ্লেদিজ জানুনসাংগী, শুভানগী সিংহ অমদি নিতু লিন্দানি। ফোরৱার্দতা নেহা, লভনয়া, অনিতা কুমারী, রেশ্মা, ভিনোথিনি, ধার্শিনি, লাইশ্রম রেজিয়া অমদি লিন্দা কোম সর্টোনি।

# ষ্টেট আর্চরি টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা ইম্ফালদা থা অসিগী ২৮দগী মে ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল স্পোর্টস ৱীক ফেষ্টিভেলদা ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা আর্চর ১৬ অমদি ওফিসল ৫গী মমিং মণিপুর আর্চরি এসোসিএসননা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা আর্চরশিং অদুদি রিকর্ব ৱিমেনদা য়ুম্নাম অনুপামা, জেনিফর পাওনম, গাংমৈ লংঙুইলু অমদি টি ঐচ স্বাশিতা অদুগা কম্পাউন্দ ৱিমেনদা পাওনম লিলি চনু, সেনয়াই থৌনাওজম, কে এস ঐচ মংলেমসনা অমদি মুতুম রুপননি।

রিকর্ব মেনদা অকোইজম অমজিৎ, এল য়ুহেনবা মৈতৈ, এম মালেমঙানবা মৈতৈ অমদি দব্লিয়ু লিওনার্দনি অদুগা কম্পাউন্দ মেনদা ঐচ টিয়ুতোন খুমন, এস জোন্সন, ও হেনরি অমদি এল য়োহেনবনি।

অতোপ্পা খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি মুতুম বাদলনা টিম মেনেজর, সাইগী আর্চরিগী চীফ কোচ বি গুনিচানা রিকর্ব ৱিমেনগী কোচ, সাইগী আর্চরিগী সিনিয়র কোচ সী ঐচ শান্তনা রিকর্ব মেনগী কোচ, য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস (য়াস)কী আর্চরিগী কোচ গীতাঞ্জলি লাইশ্রমনা কম্পাউন্দ ৱিমেনগী কোচ অমদি সাইগী আর্চরিগী সিনিয়র কোচ বি দেবচান্দনা কম্পাউন্দ মেনগী কোচনি।

# মণিপুর জুনিয়র হোক্কী টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচ এন এস): টামিল নাদুদা মে ১৮দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয় ১৮ অমদি ওফিসল ১ পূন্না মীওই ১৯না শাবা টিম ঙসি মণিপুর হোক্কীনা লাউথোকখ্রে।

এম রিনাশ মৈতৈনা ষ্টেট টিমগী কোচ ওইনা শরুক য়ারগনি।

অতোপ্পা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি এস সূর্য্যকান্ত, টি অনিশ, এল সুশিল, টি ঐচ অভিনাশ, এন জেবসন, টি ঐচ ইঙালেম্বা, টি ঐচ কিংসন, ৱাই নেলসন, কে ঐচ মাইকোলিন, এন জেমসন, এল বোইং, কে ঐচ জেম্পর, রিশি য়ুম্নাম, জি দিঙ্কু, টি ঐচ বিক্রমজিৎ, এল কিরন, মোনিশ পোৎশংবম অমদি বিদ্যানন্দনি হায়না মণিপুর হোক্কীগী চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

# কুংফুগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচ এন এস): কুংফু ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা অসামগী গুৱাহাটিদা লৈবা দি টি আর পি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা মে ২০দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪শুবা নেসনল কুংফু চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা কুংফু প্লেয়রশিংগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা মে ৮গী অয়ূক পুং ৭তা সাওলিন কুংফু একাদেমি ৱাংজিং হৈতুপপোকপী জুনিয়র স্কুল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর কুংফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়ননা খঙহল্লক্লি।

# এ আরনা শীন্দুনা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা চুড়াচান্দপুর বট্টালিয়ননা শীন্দুনা ঙসি ফেরজেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পার্বুং ভিলেজদা লমদম অদোমগী নহাশিং অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমা শান্নখ্রে।



মেটচ অসি 'ফাইটিং দ্রগ থ্রু স্পোর্টস' হায়বা থিমগী মখাদা লমদম অদোমদা চথরিবা দ্রগ মেনেসপু থেংননবগী পান্দমদা অমদি স্পোর্টসপু প্রমোট তৌবা ওইনা পাঙথোকপনি। ইভেন্ট অদুনা লমদম অদোমগী নহাশিংগী স্পোর্টসকী টেলেন্টশিংবু খঙদোক্লবা হোৎনবদা প্লেটফোর্ম অমসু পীরগনি হায়রি।

## খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস জুন ৪দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্লগনি

চান্দিগর, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): হরয়ানানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০২১ কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা কয়ারক হন্না য়েথোক্তুনা লাকখ্রবা গেমস অসি চহী অসিগী জুন ৪দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না হরয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খট্টরনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

গেমস অসি হরয়ানাগী পঞ্চকুলা খক নৎতনা শাহবাদ, অম্বালা, চান্দিগর অমদি দেল্লীগী মফমশিংদসু পাঙথোক্কনি। গেমস অসিদা চাওরাক্লা শান্নরোয় ৮,৫০০ রোম্না শরুক য়াগনি।

চীফ মিনিষ্টর মনোহর খট্টরনা ফোঙদোকখিবদা, ইভেন্ট অসিগীদমক মল্টিপর্পজ হোল ২/৩, সিন্থেটিক ট্রেক অমদি এথলেটিক ট্রেকনচিংবা শেমগৎ-শাগৎপা লোইখ্রে হায়খিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈরিবা অসি হন্থহন্নবা ইভেন্ট অসিদা সেফটি প্রোটোকোলশিং ঙাক্লা চৎহনগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরদা ভিদিও কনফরেন্সকী খূথাংদা ইভেন্ট অসিগী দিটেল ইনফোর্মেসনশিং শ্যের তৌখ্রে।


**MANIPUR UNIVERSITY**
TENDER NOTICE
Dated 26th April, 2022
No. MU/14/35/Furniture/MIT/2022/128: Manipur University invites sealed tenders for supply of Digital Projector and Furniture Items. Terms and conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.
Sd/- David K. Zote
Purchase Officer, Manipur University, Canchipur.
HL-B/7623/27

UPGRADE YOUR TRADING SKILL
ELIGIBILITY :- BASIC KNOWLEDGE OF TRADING
ONLINE COURSE in Manipuri Language
NEXT BATCH STARTS FROM 5TH MAY 2022
TIMING 7.30 AM TO 09.00 AM
DURATION :- 18 DAYS
LIMITED SEATS AVAILABLE
COURSE FEE RS. 10,000/-
ENROLL BEFORE OR ON 30.4.2022 ⇒ OFFER RS.8,000/-
GET REFERRAL BONUS RS. 1000/- FOR ADMITTED STUDENTS
1ST INSTALL MENT- RS.4000/- 2ND INSTALLMENT - RS.4000/- (AFTER 9 DAYS CLASS)
WHAT WILL YOU LEARN
PRICE ACTION I WHAT IS OPTION | PUT & CALL | OI ANALYSIS | TIME FRAME | CPR | MOVING AVERAGE | ENTRY & EXIT | OPTION & SWING TRADE | MONEY MANAGEMENT | TRADING PSYCHOLOGY | RISK REWARD | POSITION SIZING |
FEATURES:
DAILY EOD CHART ANALYSIS OF NIFTY & BANK NIFTY FOR 3 MONTHS | RECORDED CLASS VIDEO ACCESS UPTO 1 MONTH | LIVE MARKET DISCUSSION BASED ON PRICE ACTION
COMING SOON OPTION STRATEGIES COURSE
FOR ADMISSION PLZ CALL OR WHATSAPP ON +91-7005851073
MANGAL TRADING ACADEMY, KAKWA LILANDO LAMPAK
HL-P/2331/23-30/4

CUET COMMON UNIVERSITY Entrance Test CUET (UG) - 2022
(To be held in the month of July - 2022 by NTA)
FORM ISSUE :- 20/04/2022 ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
CLASS STARTS :- 12 May, 2022 SHIFT :- (Morning and Evening)
HIGHLIGHTS :-
1) Compulsory for all students to be admitted in Colleges under Central Universities of India.
2) Admission selection only based on CUET scores.
3) Computer based test on language (200 m), optional subjects (200 m) & General Test (300 m).
4) Examination Centres :- Imphal and Chandel.
For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, Contact No. - 8258013846
HL-B/7608/27-30

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/7616/23/4-21/5

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 437**

Rey Ardid, Ramon - Kunert, Franz
IFSB Bundesmeisterschaft 3233 corr, 1932

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 Bc5 |
| 4.O-O d6 | 5.d4 exd4 | 6.Nxd4 Nge7 |
| 7.Bg5 f6 | 8.Be3 Bxd4 | 9.Bxd4 Be6 |
| 10.Nc3 a6 | 11.Be2 O-O | 12.f3 f5 |
| 13.Bf2 f4 | 14.Nd5 Bxd5 | 15.exd5 Ne5 |
| 16.c4 Nf5 | 17.b4 Qg5 | 18.Bd4 Rf6 |
| 19.Rf2 Rh6 | 20.Bf1 Ne3 | 21.Qb3 Re8 |
| 22.Qa4 b5 | 23.cxb5 ... | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 436 Ans. :**

21.Rf1+The white rook skewers Black's king and rook. Kg8 22. Rxf8# Back-rank mate
22. Qxf8# Damiano's rook mate
1-0

CAS Centre for Advanced Studies No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION IS GOING ON
SPECIAL FOUNDATION COURSES
Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS X (English, Mathematics, Science & Social Science)
Special features:
- Special Concession for all Students
- Qualified & Experienced Faculties
- Exam. Oriented Study Materials
- Weekly and Monthly Test Series
- Targeted Suggestion for Final Exam
- Vision for toppers in 2023
Classes commencing from 28th April, 2022
Morning Batch (4.30- 7.00) A.M. | Evening Batch (4.30- 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal (Mayai Lambi Road Machin.)
HL-B/7610/21-19

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com